ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ১২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৯৭শুবা মশীং

# কোরোনা কাউথোকহন্নীংদে

## পেন্দমিকসি পেন্নিংঙাই ওইদ্রিবনি

পাঙথোল্লগদবা মীখলগী মতম নকশিল্লকপগী হৌনবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, মখোয়গী টিকেটতা মীরেপ ওইগদৌরিবনি হায়বশিং, অফংবা পার্টি অমগী টিকেটতা লেপকনি, ফংদ-ফংদ্রগসু ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরবসু লেপকনি হায়বা মীওইশিং খোইরেল মসা পানখৎনরক্লে। মখোয়গীনি হায়বা ৱার্কর/ভোটরশিং পুময়োম য়োমখৎনরক্লে। মরেং-মরেং চৎখৎনরক্লে। তৌসনু, মীখলগী, মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নকশিল্লকপগী হৌনবীনি, মহৌশানি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) ফাওবনা মীখল হায়বনি করিনো? মীখলদা ফংলিবা ভোটরশিংগী রাইটসনা করি করিনো হায়বগী মতাংদা ফাওবা এৱ্যেৰ্নেস অমসুং সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম ফাওবা থৌওইনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবনি। ভোট থাদবা য়ারবা মীপূম খুদিংমক্না মীখলদা শরুক য়াহন্নবা কেম্প্যেন কয়া ফাওবা চণ্থরক্লিবনি। মণিপুরগী মীয়াম্না ষ্টেটসিগী পাঙথোল্লগদবা ১২শুবা অনৌবা এসেমব্লি মীখলগীদমক থৱায় য়াওনরকপবুদি অফবা খোঙথাংনি। লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা লৈঙাক্লোনগী ৱাহন্থোক ময়েক শেংনা খঙই হায়বনি। অদুবু হৌজিকসি মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্কী তমথীরবা লায়না-লাইচৎ অমা ওইরিবা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) না মৈৱাইরকপদগী পীক্লবা মণিপুরনা লাংলকপা মৈশা কোক্ত্রিবনি। পেন্দমিকসিগী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং মায়োক্নরিবনি। পোজিটিভ ওইহল্লকপগী চাং চাদা ৫/৬তা হাইথরক্লে হায়রগসু লায়নাসিদগী পুমকোক কোক্লবা, লায়নাসিগী মতাংদা পেন্নিংঙাই ওইরবা ফীভম অমা হায়বদু ওইদ্রিবনি। কৈথেল, দুকান অমসুং মীয়াম পূনবগী থবকশিং খরা খরা কোমথোরক্তুনা মহৌশাগী মণিপুরগী ফীভমদা হঞ্জিনবা হৌরক্লগসু লায়নাসিগা মণিপুর মীয়ামগগী মরক্তা পুমথৎ-থদৎনবমক ওইদ্রিবনি। হৌজিকসু মখা তানা চেকশিনগদবগী ফীভমদা লৈরিবনি।

ওক্টোবর ৯, ২০২১ ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২১,৮৫৩ শুখ্রবনি। নুমিৎসি ফাওবদা লৈখিবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ১,৭১৬নি। অদুগা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৮৮২ য়ৌখ্রে। ওক্টোবর ৮, ২০২১দা মীওই ১১,০৭৩ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা থারগা নুমিৎসি ফাওবদা অপূনবা কোভিদকী হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৭,৬৪,৯২৭ শুরে হায়জরগসু হীদাকসিগী অহানবা দোজগী হীদাক কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীংদি ১২,৩০,৩৫০ খক্তনি। অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোল্লবা মীওইশিংগী অপূনবা মীশিংনা মসিগী তঙ্খাই ফাওবা য়ৌদনা শুপ্নতগী মীওই ৫,৩৪,৫৭৭ খক্তমক ঙাইরিবনি। হায়বদি কোভিদকী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী হীদাকশিং কাপথোল্লবা ফাওবদা কনাগুম্বা মীওইশিংদা কো-মোর্বিদিটিজবু থোকহল্লক্লবদি মহাক্কী মপুন্সি কনবা ঙমহৌদনা মাঙলিবনি। অদুগা পোজিটিভ ওইহনবগী থৌদোকসিসু ফর্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ দোজ কাপথোল্লবা ফাওবদা থোকহল্লকপা য়াওরিবনি। মরমশিং অসিনা হৌজিক ফাওবদা লায়নাসিগী মতাংদা মখা তানা চেকশিনবগী তঙাইফদবা অদুম্মক লৈরিবনি।

অদুবু তাল্লকসিদা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা অনৌবা মীখল লাক্লে হায়দুনা ভোট খোম্নবা নেসনল পার্টি কয়াগী মকোক থোংবশিং য়াওনা লুচিংবা কয়া তোয়না লাক্তুনা মীয়াম তিনবা থৌরমশিং পাঙথোল্লবা হায়বসি পার্টিশিং অসিগী তৌদবা য়াদবশিং ওইরবসু হৌজিক ফাওবদা পেন্দমিক অসিগী মৈগী কোমদগী চোঙথোকচবা ঙমদ্রিবা মণিপুরগী মীয়াম্না কোরোনাভাইরস অসিবু কাউথোকহন্নীংদে। শিরগা অমুক হল্লকপা য়াদে খঙলিবা মীয়াম্না অৱা মচা লেম্না মাঙদে, নারগা হিংদে হায়বগী থৌদোক্তু মখা তানা মায়োক্নহৌদনবা হোৎনবা চঙই হায়নীংই। মরমদি তমথীরবা লায়নাসিনা শন্দোকপা খ্বাইদগী খোঙহাই চারিবসি মীয়াম পূন্দুনা মী অমগা অমগা নকশিন্নবনি হায়বসি কাউথোকহন্নীংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১) ***“বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!”*** হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ***“গীতা-লৌশিংগী পুক্কে”*** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো?

৩) ***“নীংতম্বগী মমল”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“অরোইবা পাউদম”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***“উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।”*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ভোট য়ৌদ্রিঙৈদা ভাইওলেন্স

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৭৫**

**জিতেন নামৈরাকপম**

বি জে পিনা লুচিংবা তরামাথোইশুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম লোইগদবা থা মঙারোমদং ঙাইশিল্লক্লে। তরানিথোইশুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইগদবশিংনা ইলেক্সন্দা মায় পাক্লবগী পান্দমদা ভোট খোম্নবগী চাং হেনগৎলক্লে। ভোটরশিংসু, কেন্দিদেট ওইগদবশিংসু খোইরেল মসা পাইবগুম ঈরাং অসি নোংম-নোংমগী কনখৎনরক্লে। মফম মফম খুদিংমক্তা ঈরাং অসুম হেনগৎলকপদগী জাৎ-জাৎকী পাউসু তানরক্লে। মশা-মশানা খোংবান চেল্লুবা সপোর্টর ভোটরশিংগী মরক্তা খূৎ য়াওনরকপদগী ফূন-চৈনবা, অশোক-অপন নংবা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া মথং-মথং থোরক্লে। মফম খরদদি নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী পাউসু তানখ্রে। ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা মতমদি কুমজা ২০২২গী হৌরকপা ফেব্রুৱারী/মার্চ থা অনী অসিগী মনুংদা পাঙথোল্লবা শেম শারিবনি। থা ৫/৬ ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা অসিগুম্বা খৎন-চৈনবা, নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোক্লক্লিবসিনদি মতুংদা অসিদগী হেনবা শাথী-শাথীরবা পাউ কয়াসু তারকপা য়ারি। থৌদোকশিং অসি অফবা থবক্তি শুকনৎ নত্তে। ঈরাং থোকহল্লিবশিং পূক্লিং ফাথবীয়ু হায়নীংই।

অদুনদি ঈরাং থোকহল্লিবশিং অসি কনা কনানো হংলুবদা শোয়দনা চোঙথোরক্কনি। কেন্দিদেটতুদা থৱায় লুপচবা অকনবা ৱার্কর নৎত্রগা ভোটখোম টিমগী মরক্তা খরনা শোয়দনা ওইফম থোকই। ভোটকী ময়াই অঙকপনি কেন্দিদেটকীদমক্তা থৱায় থাজরগে খন্না মতিং থোক্লা হোৎনজবা ৱার্কর হায়ফেৎ য়াম্না লৈবজাৎনি। অদুনবু থৱায় য়াওনা চেঞ্জরিবনি। মতাং অসি য়ৌরকপদা ভোট লেপ্পীগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংনসু মখোয়দা ঈরাং থোকহন্দনবা, খামজিনবীবা চঙই। মাগী সপোর্টরশিংবু পুন্না তাশিন-খোমজিন্নরগা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা পোরম য়াৎথোক্তুনা থবক মখা চণ্থবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। অদুদি নত্তদনা ঐখোয়গী মায়োক্তা লৈবা, ঐখোয়দা ভোট পীরোইদবশিংদি কাওরো, নেৎলো, ফূরো, ফিৱাল চিংথৌ-থুদেকউ, নখোয়গী নতুংদা ঐহাক লৈ, ঐখোয় হায়বরোমদা চণ্থবা তারগদি উজার মেলা শাবা তাবনি। হৌজিক্কী মতমদা অকনবা শক্তি লৈবা, তৌবা ঙম্ববু কনানো। নিংথৌ তরেৎনা খন্ম্রাংননা পাল্লম্বা লৈবাকনি। নিংথৌগী নিংথৌমক্তনি। নঙনা তৌবা ঙম্বদু ঐসু ঙম্মী। ঐনা নঙোন্দগী হীরম কয়ামরুমদা হেল্লি তৌনসিরা, থেংনরসিরা হায়বরোমদা মখা শমথরকপা তাবনি। ঐখোয় পূম্নমক ফাথমিন্নসি।

অমরোমদা ভোট লেপ্পা য়াম্না নুংঙাইবা থবক্কদি নত্তে হায়নীংই। ৱাবা য়াবা ৱারগা, তৌবা য়াবা তৌরগা ভোটতু কাজরবদি মফবা। মদুনা অমুক কাদ্রগনা কমদৌবা, ভোট পোবগী পোৎলুম অমুক ননশিল্লকপা, থা ৬ হৌগৎপা ঙমদ্রে হায়বদুনি। ভোটতা সেকেন্দ তাহৌবা করিমত্তা কান্নদ্রে। স্পোর্টসকুম্বা অতৈ অতৈ কম্পিটিসনশিংদদি ফর্ষ্ট, সেকেন্দ, থর্দ, ফোরদগী টেন ফাওবা প্রাইজ পীনরি। ভোটপু হেক কাহৌদ্রবা লোইবদগী লোইবা পুমলোই লোইরে। ভোট লেপ্পুব্রা হায়ববু ইঞ্চোলদা, য়েনখাদা, মনিংলোমদা লফু পাম্বীফাও হৌবা ঙমদে। নুংতিগী চাক খাঙবগী ইরোনবা চাথোকখিবদা কনাগী লফু-কা হায়য়ে আলু থাজবা ইঞ্চোলদগী আলু মনা ফাওবা পানবা ঙমদে, মনা থৎতুনা ইরোনবা চাথোকখিবদা। শেলদগী, থুমদগী, পাঙ্গলদগী, ৱাখলদগী পুমলোই হেক লোইরে। ভোট য়াম্না লেপনীংবা ওইরগনা মথংগী টর্ম অমুক ঙাইবা তাবা। ভোট লেপ্পদা লৌ, ইঞ্চোল, দুকান প্লোটনচিংবা কায়থোক্তুনা য়োনবা, তৌবা য়াবা তৌবা, চাবদগী থকপদগী অদগী ভোট থাদবীনবা য়েনবা শেল, লিশীং অনীদগী মঙা ফাওবগী চাংদা ভোটর অমদা য়েল্লি হায়বগী পাউ তানখি।

অমরোমদনা, ভোট হায়দোরকপা মশীং থিরকপা মতমদনা অৱাং লৈকায়গী, মমাঙ লৈকায়গী, মনীং লৈকায়গী ভোটকী ৱাদি সোলিদ সোলিদতা ফংগনি পারুরগা লিক্যুইদ ওল্লম্বগী ৱানি। ভোটসি য়াম্নদি মানবনি। মীটিং তৌফমদা লাক্লিবা মীয়াম পূম্নমক কেন্দিদেট মঙোন্দা থাদরক্কদবা লোইনা মানবনি। লাকপীরিবা মীয়ামসিনা ভোটপু থাদবীরবদি কারে হায়না লৌবা য়ারেফাও হায়নবদু ভোট মশীং থিরুবদদি ঈকাঙা পৃক পৃক শৌনা কাখৎলম্লগা জর-জর হন্থখিদুনা শ্বায় হেক্তা মাঙখিবগুম্বনি। তৌবতবু ভোটকী মতমসিদা ৱেব (ঈথক-ঈপোম) গুম্বগী শাফু জর-জর হেনগৎহনবা, হন্থবা শুকয়া য়াদবা হেক হন্থরুবদা ভোটরগী মশীংসু হন্থখিবগী ৱাসু লৈরি। ঐখোয়না সুম য়েংজরুবা মতমদা কোংগ্রেস, বি জে পি, এন পি পি ... পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ৱা তোকথোকখ্রগা ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেটতুদা ওইনা মাগী থবক খুতৌ, মীয়ামগা লোয়নবগী মওং, মানা করি তৌগে হায়রিবা পূম্নমক অসিগী মওং য়েংলগা শৌগৎপগী মওং ওইনা তৌই। খুদম ওইনা হায়রবদা ঐখোয়গী এ সীদা বি জে পিগী টিকেট তান্নবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অহুম লৈ। মখোয় অহুম্মক টিকেট ফংনবা লাল্লোং কন্না চণ্থনরমগনি। মখোয় অহুমগী মনুংদা বি জে পিগী টিকেট ফংলসু কাররোইদবা অদুম্মক য়াওবা জাৎনি। টিকেট ফংগদবদি অমখক্তনি। অনী অমদি ফংলরোই। টিকেট ফংদ্রে, অদুবু বি জে পিদি নুংশিজৈ হায়দনা অতোপ্পদুদা সপোর্ট তৌরগনি, ভোট লেপচররোই হায়না নীংবা অমত্তা য়াওদে। চোঙথোক চোঙশিন তৌরগা অতোপ্পা পার্টিদা ভোট লেপ্পক্কনি। বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংগনি খল্লুরগা টিকেট পীবা শোয়বদগী লোংখ্রাক লোংনা তাবসু কনানা খঙবা। খোঙলগা খঙগনি। মথংগী জেনরেল ইলেক্সন মতুংদা কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইবা, করম্বা পার্টিনা লৈঙাক শেম্বা হায়বদু কনানসু তম্বা ঙম্বা নত্তে।

মীখল ময়া নকশিল্লকপা অসিদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা, বি জে পিগী লুচিংবা কয়া পাইশিল্লক্তুনা মথংগী টর্মগী শক্তি পায়নবগীদমক লাল্লোং কয়া য়াৎথোক্তুনা কন্না ভোট খোমগৎনরক্লিবসিদা হায়নীংলিবদি মতম, শেল, লেবর কয়া অমা মাঙহল্লি হায়বসিনি। লৈঙাক ময়োন্দগী সেন্ত্রেল লিদর অমা মণিপুরদা লাকপা মতমদা এরোপ্লেনদা চৎথোক চৎশিন তৌবগী অতোংমল, লৈফম-চাফম, জেট সিক্যুরিটি পীবগী মদুদা লাক্লিবা মীওই অদুবু ওক্লবা শেম শাবা, আর ও পি তারিবা সিক্যুরিটি, লম্বীদা পরেং লেপ্তুনা ঙাক্লিবা ভি দি এফতগী হৌরগা পুলিস পর্সনেল ময়ামদু থথাগী থবক নত্তে। তাঙখ্রবা পেট্রোল, দিজল কয়া অমসু গাড়ী হঙ্গৎ হন্দা থৌবদা মাঙহল্লিবনি। অদুবু করিবুদি হায়রুনি। ঐনা নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমসিদা তৌবা য়াবা তৌহৌরগে হায়বরোমদা চণ্থনরকপনি।

অমনা ঙসি, হয়েং ভোট থাদগদবসু নত্তবা থা ৫/৬ ৱাৎলিঙৈসিদা কেন্দিদেট মতুং চরোং চরোং ইল্লগা মীওই ২০০/৩০০ ভোট খোম্বা চৎলিবসি মতম ওন্থোক্লা পাম্মুখ্রে। ইয়ূম ইয়ূমদা অঙাং লাইরিক তাকপ্রা, ইঞ্চোল কোয়গেরা কৈনো য়ূমগী কান্নবা থবক তৌবনা ফব্রা খল্লি। মতম ৱাৎলি ইথৌ ইথৌদা পূক্লিং চঙনসি, ভোটতা মতম মাঙহনগুমসি। হৌজিক্কী মতমদা ভোট খোম্বা, খৎন-চৈনবা, নোংমৈ কাপ্নবা মতমসিগা চান্নদ্রে। লাইরিক লাইশু হৈনরবা মক্তনি। ঐখোয় নূঙগী য়ুগকী ফীভমদা অমুক হঞ্জিনগুমসি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৩৯

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অহুমশুবা চক :- চেঙ পালবা চুক চক অসিদা পানবা নিংথৌদি নিংথৌ তারি লৈমা তাননু, শাকক্পা ৱালকপা, ককমুবা তোলকোনবা লৈমা উরুম খৌচেনবীনা কোঙ কোই। পীতীং কোই, লামপীগে, তৈমা, য়াংমা, তেশারোৎ ৰুরেলখুবা, ৰুরেলহলবা লংবা খাবী ইরেম, তুমারিংবা, পামরিংবা, অয়াম্বা অসি পূম্নমক্লা চেঙ চাই। চেঙদগী ফৌ পোকয়ে।

মরিশুবা চক :- ফৌ ওইনা চাবা চুকতা পানবদি - পাখংবা লাইশ্রা, শাকক্পা ৱালকাপা, কক্‌সুবা, তোলকোনবা, পোইরৈতোল, লৈনাওতাবী, পোইরৈতোলনা লোয়নরকপা পূম্নমক খিবিকসু পাখংবগা লোয়নরম্বা খিবিকসু মখোয় পূম্নমকতি হৌজিক অসি য়ৌনা ফাওবা ফৌ চাইয়ে।

লাইরেম্মা নুরোন খাইবা :- হৌজিক্তি নুরোল খাইগৎলককে - তাওপীরোইনাই, লৈনুং হিপোকপীনে, মাদি লুমকোলবীদা লৈয়ে। য়াইপোকপীদি - য়ূমজাও মনিঙগী লাংমৈপুঙদা লৈয়ে। হিরৈমনা হিয়াংথাংদা লৈয়ে। য়াইরৈমনা স্নাথোঙ মচিন্দা লৈয়ে। হিকুপীনা - মাখি-লম অহিং খোংপাল, খোংপালদা লৈয়ে। য়াইকুবীনা ৱাংখৈ লমথোঙপালদা লৈয়ে। য়াইস্নাদি লুমকোলবীদা লৈয়ে। শাজিবীদি লুমকোলবীদা লৈয়ে। লাংকপবীদি মৈরৈমা শঙফমদা লৈয়ে। মাঙৱাই তুংৱাইবী অসিমকতি লোক্তাক্তা লৈয়ে। লৈরিঙম্বীদি সুকথিলবী চাইরেলদা লৈয়ে। চিৎনুগা, লাইশ্রাগা অনীমক্তি লুমকোলবীদা লৈয়ে। থোইনুনা আরোল নুঙনে। থেরে লোংবা চনুনা ৱাইথৌদা লৈয়ে। মহুলনুনা সুমশঙদা লৈয়ে। মৈরিনুনা চৈরাপ মমাঙদা লৈয়ে। তোলথাংনুনা থাঙকমপাৎতা লৈয়ে। নুঙমু অনীমক্লা খায়য়াই থম্নবা অমদি লুমকোলবীদা লৈয়ে অমদি খাম্বা য়াংতৈনা চেকাই কৈতা লৈয়ে। (লইথক লাইখারোল - চেমায় ৯৩, ৯৫)।

মথক্কীসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি চক মরি লৈরিবসিদা কনা করম্বা লাই/মতমদুগী মীওইবশিংনা পানবা মতমদা চাবা চিঞ্জাক্লা কমদৌরম্মী, মতমশিংদুগী মচৎতু কমদৌরম্মী হায়বসি য়াম্না শেংনা খঙবা ঙমই। অদুগা লোয়ননা লাইরেম্বীশিংনা করম করম্বা মফমশিংদা লৈরম্মী হায়বসিসু ইরায় লায়না খঙবা ঙমই।

অমুকসু, এন বীরচন্দ্রনা ইবা ‘য়েলহৌঙৈগী মণিপুরগী মমিংশিং’ হায়বা চেমায় ৩-৪ ফাওবদা অসুম্না ইরি :- “য়াম্না ঙনবা মতমদসু লৈপাক অসি চীংদা ফৈদোম ৭, তমদা ফৈদোম ৭ লৈরমই অমসুং মনিং তম্বা নিংথৌনা পাল্লমই। লমদমশিং অদুগী তোঙান তোঙানবা মমিং কৌরমই। মদুদি, নোংলোন্দা ১) অৱাং কোম, ২) অশি কোম, ৩) লয়ি কোম, ৪) কোরৌ কোম, ৫) নুংনাং কোম, ৬) লংবা কোম, ৭) তাম্বা কোম (কোনখৈ অতাম্বা)।

লৈরোন্দা - ১) পোংলৈ কোম, ২) লৈনুং কোম, ৩) মালৈ কোম, ৪) মালঙ কোম, ৫) লৈখা কোম, ৬) খমনুং কোম, ৭) খমলৈ কোম।

পোং লৈকোম হায়রগা ইম্ফাল কংলৈ, লৈনুংনা মোইরাং, লৈখানা শুগুনু চাইরেনবু খঙনরমই। অসুম্না তোঙান তোঙানবা মমিং মথা লৈরমই অদুবু লৈবাক অসিগী অপূনবা মমিংসু চক চক্কী ওইনা লৈরমই হায়বা মথক্তা পঞ্জখ্রে’ হায়না ইরম্মী।

থমজনীংলিবা অশেংবা ৱাফমদি অসুক ময়েক শেংনা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীরমগী লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) অমত্তগা, মখোয় মীরমগী ওইবা লাই নুপা অমদি লাই নুপী অমত্তগা মরী লৈনরক্তুগা খাঙঙুথক্তা মীরমদগী মচিৎ মচিৎ ওইনা মশাগী ওইবা খুদোংচাবা মরম খরদগী ইরমদমসিদা চঙলল্লগা - “ফম্বা চল্লবদি হিপ্পা চল্লি” হায়বগী মওংদা থেঞ্জাং নাইনা মীরমচাশিংনা মখোয়গী লাইনীং পাম্বী থানবা হোৎনরকপদা নত্তনা ইরমদমসিসু নম্ফু হাফুদা মীরমদা তিনশিনহল্লিবসিনি। অহানবা চৈঙাক পীরগা শন্দোরকপদা মপাঙ্গল কনবা চৈঙাক ওইখিবগা, মতমদুদা লাইনীং লিচৎ অনৌবা ওইরকপদা থোইনা খন্থরুদনা মরক্কী হায়বদি চাওরাক্লা ঙসিদগী চহী ৩০০ রোমগী মনুংদা হিংলম্লগা পুন্সি চেঙজেল লোই-খ্রবশিংদুগী মচা মশু, লাইরিক্তি হৈবা লাইশুদি খঙদবা ময়াম অমসু চহী মতমসিগী মনুংদা পোল্লগা ইপু-ইবেন, ইবুধৌ, ইবেনধৌশিংনা মরক্তা চৎলম্বা লাইনিংনি হায়বসি খঙনা মপা মপুগী লাইনীং খুদুং ইন্নিংবদুতংনা মাঙওইনরগা চহী ৩০০গী মমাঙদগী পরিং নাইনা চণ্থরকপা লাইনীং লিচৎতুনা তুংওইনগে হায়বা ৱাখল/থৌওংসি কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বসিগী মতাংদা মখাদা অসুম্না থমজগে।

i) মুতুৱা তোম্বগী ‘ইম্ফাল (কলচরেল হিষ্ট্রি ওফ কংলৈপাক) ভোল্যুম-১ (পুয়াগা মরী লৈনবা) হায়বা লাইরিকসিগী চেমায় ৪-৫ ফাওবদা অসুম্না ইরি “হিন্দুগী পুরাল, মীতৈগী পুয়া, লাইরিকশিং অসিগী হৌরকফম লৈ। হিন্দুগী ধর্ম্মগী হৌরকফমদি বেদনি, যিশু খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈগী মমাঙ চহী ১৫০০ রোম অসিদদি বেদ (ধর্ম্ম) গী লাইরিকশিং অসি ইখি। য়ুরোপকী রিসর্চশিংগী ৱারোলদা খৃ: মমাঙ চহী ৫০০ রোম অসিদা মহাভারত হায়বা পুরান অসিসু শেমখিবনি, খৃ: মতুংদসু মপূং ফানবা কয়া হাপচিনখি। ৱারোলশিং অসি মায়চৌ (পন্দিট) শিংগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক অমা লেপ্পগী মতাংদা ৱারোল কয়া থেংনরবসু, মান্নে হায়না লৌবা য়াই, লোয়ননা পুরালগী হৌরকফম পীবদা :-

১) অধ্যাপক প্রবোধচন্দ্র শেনগুপ্তা, ২) বঙ্কিমচন্দ্র, ৩) এফ ই পাজিষ্টার, ৪) অধ্যাপক হেমচন্দ্র রায় চৌধুরি, ৫) এল ডি বার্নেটকী, য়ুরোপকী পন্দিটশিং (দার্শনিক ডা. ল্যান্সারীনচিংবা) অসিগুম্বা পন্দিটশিংনা পীবা ৱারোলগী মতুংইন্না খ্বাইদগী লিবা চহী মশীংদা পুরানগী হৌরকফমসি চহী লিশীং ৪, খ্বাইদগী নৌবদা চহী ৪০০ অসিদনি) (খৃ: মমাঙ)।

ii) পুয়া, লাইনীং লিচৎ (ধর্ম্ম) গী মতাং অসি খৃ: মমাঙ চহী লিশীং ৩ খরা হেনবদগী লৈরে। ৱাফম অসি চুমই হায়না লেপ্পা য়াই, মরমদি খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈগী মমাঙ চহী ১৩৯৯ অসিদগী মীতৈগী কুম্বারোল (কেলেন্দর) লৈখ্রে। অসিগুম্বা কুম্বারোল অসিবু মলিয়াফম কুমশিং হায়না খঙনরি। ঙসিদগী চহী লিশীং ৬কী মমাঙদগী মীতৈ ময়েক অমসুং পুয়া কয়া নিংথিজনা চৎনরকপা অসিনা খৃ: ১৭১৬, শান্তিদাসনা লাকপা ফাওবা চৎনরমই। খৃ: মমাঙ চহী ২০০০ অসিৱাইদগী মীওইবা অসিনা লাইনিং লিচৎকী নিংথিজবা মঙম উবা ফংনরক্লে, মতাং অসিবু মীতৈনা লাইনিং পরমগী চক কৌই। খৃ: মমাঙ চহী ২৫০০ খরা হেনবগী মতমদা মীতৈনা নীংনরম্বা লাইনিংদি সনামহীরেল শিদবা অসিনচিংবা লাইশোন ওইনৈ। মচিনঙৈ মীতৈগী ইপা ইপুশিংনা ঙসিগী তাইবঙপান অসিগী মরমদা করম্না ওইরকপা, মী পোকপা, শিবা নাইরিবা অসিনচিংবা হীরমগী মতাংদা খুদম ওইনা খৃ: মমাঙ ২০০০ রোম অসিদনা শরারেল শিদবা (হৌজিক্লা গুরু শিদবা হায়নসু খঙনববু) কন্না নিংনখি, খৃ: মমাঙ চহী ৫০০গী মতম অসিৱাইদগীদি সনামহী, পাখংবগী ৱাংউরোল (দর্শন) অসি নিংথিজনা, হান্নদগী হেন্না ঙান্থোকপা হৌরে। মীতৈনা পুয়া ইদ্রিঙৈগী মমাঙদদি অয়াম্বা লাইৱা (মন্ত্র) পূম্নমক চিনফা পুদুনা লৈরমই। খৃ: মমাঙ চহী ১৩৯৯ অসিদগীদি মীতৈগী চৎনবী মমাঙ (আর্ট অমসুং কলচর) অসি য়াম্না মওং তানা লৈখ্রে। খুদম ওইনা, খৃ: মমাঙ চহী ৩০০ মুক্কী মতমদা বৌদ্ধ ধর্ম্ম অসি কংলৈ ইম্ফালদা ভিখুশিংনা কন্না শন্দোকখি। অদুবু মায় পাকখিদবগী মরমদি মতাংদুদা মীতৈশিংগী মনাৎ, লাইনিং লাইশোন মতিক চানা লৈখিবসিননি।

খৃষ্টগী ৩শুবা শতাব্দিদা মীতৈশিংনা চুপ শাবদা লাইরোল (মন্ত্র) নচিংবা ৱারোল কয়া মওং তানা চৎনখ্রে। ঙসিদগী চহী ১,২১১গী মতমদা ফম্বাল কাখিবা মীতৈগী নিংথৌ খোঙতেকচা য়োয়রেনগী মতম (খৃ: ৭৬) দা অকোয়জম তোমপোই কৌবা মীতৈগী মায়চৌ অমনা ‘পান্থোইবী খোঙ্গুল’ হায়বা লাইরিকসি হান্নগী অরিবা কাঙলোন কয়াদগী মতম অদুগী চৎনবী লোন্দা অমুক ইথোকখি। লাইরিক অসিমক্তি বৌদ্ধ মতমগী পুয়ানি। থিরেলনা (বিজ্ঞান্না) য়ূম্ফম ওইবা লাইরিকনি। (চেমায় ৫-৭)

iii) অশম্বা ৱারোল :- (চেমায় ১১)- “খ্বাইনুংজেং পীবানা নুমিৎ কাপ্পা” কৌবা পুয়ানা হায়রি - নুমিৎ অনী লৈরম্বদগী অমবু কাপখায়খি (হাৎতোকখি) হায়রি। মসিগী লিখুনদি - মালেম (পৃথিবী) অসি মৈবী মৈরেল ওইরমই, তপ্না তপ্না ঈংথরক্তুনা কাইনথংদা থৱায় পানবা লৈবা হৌরকখি। মীতৈগী ৱাংউ লৌশিং লোন (বিজ্ঞান) না য়ূম্ফম ওইদুনা ইরল্লিবা লাইরিক ‘নুমিৎ কাপ্পা’ হায়বসি করম্বা মতমগী লাইরিকনো হায়বসি পন্দিটশিংনা খুদম পীরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।